# মণিপুরগী অর্চর রুপন অমসুং সনাইনা ইন্দো–ভুটান অর্চরি কম্পিটিসনগী ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

ভুটানগী কোনুং থিমফুদা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭তা পাঙথোকখিবা ইন্দো–ভুটান ফ্রেন্দলি অর্চরি কম্পিটিসনদা ইনিদয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌখিবা ষ্টেট অসিগী নুপী অর্চর অনী এম রুপন দেবী অমসুং টি ঐচ সনাইনা তোঙান তোঙানবা ইন্দিভিজ্যুএল কম্পাউন্দ অমসুং রিকর্ব ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখ্রে।



ষ্টেট অসিদগী ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌখিবা ৱেলসন তখেল্লম্বমনা ইন্দিভিজ্যুএল কম্পাউন্দ মেন্স ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ষ্টেট অসিদা পোকচবা অদুগা অরুনাচল প্রদেশকী ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা হেম্বোইবা লৈশামথেমনা ইন্দিভিজ্যুএল রিকর্ব মেন্স ইভেন্টতা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

টিম ইভেন্টকী ওইনা রিকর্ব ৱুমেন্সতা মণিপুরগী সনাই, নাগালেন্দগী কেভিকৈনো রিখা অমসুং অসামগী জাস ব্রহ্ম না গোর্ল্ড মেডল ফঙবা ঙমখি।

নুপাগী রিকর্ব টিম ইভেন্টতসু ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌখি। নুপা অর্চরশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশকী হেম্বোইবা, নাগালেন্দগী কিলেনমিরন অমসুং অসামগী বোরগয়াং নি।

কম্পিটিসন অসিদা কম্পাউন্দ ৱুমেন্স টিম ইভেন্টতসু ইন্দিয়ানা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

টিম অসিদা মণিপুরগী অর্চর অহুম এম রুপন দেবী, সুসিত্রা তৌরাংবম অমসুং এল ধোলিনানা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া টিম অসিগী কোচ ওইনা মণিপুরগী এম জামিনি দেবী অমসুং নাগালেন্দগী হুনেজো থিসা অনীনা ওইখি।

# এম রোমেন নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপকী টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ওইনা খল্লক্লে

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

মহারাষ্ট্রগী অনীশুবা খাইদগী চাওবা মেত্রোপোলিস সিটি ওইরিবা পুনেগী বালেৱাদিদা লৈবা সিভ–ছত্রাপাটি স্পোর্টস কমপ্লেক্স স্বিম্মিং পুলদা থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৫শুবা গ্লেনমার্ক সব–জুনিয়র অমসুং ৪৫শুবা গ্লেনমার্ক জুনিয়র নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়ানবগীদমক স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট অসিদগী ময়াংলম্বম রোমেন সিংহ বু খল্লক্লে ।



রোমেন হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী লোকেল ন্যুজ পেপর ফার্ম অমদা সেনিয়র স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা থৌ পুরি।

অমরোমদা মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিয়েসননা খঙহল্লকপদা ষ্টেট অসিবু রিপ্রজন্টে তৌগদবা সব–জুনিয়র নুপামচা কাংলুপকী স্বিম্মরশিং অদুদি ঐচ নাওবা শর্ম্মা, মহানন্দ থোকচোম, এস অথৌবা মৈতৈ, রহুল শগোলশেম, এম রাকেস সিংহ অমসুং রিকিন্দর অচোম নি।

নুপীমচাগী কাংলুপ ওইনা কে কেবাশ্রি দেবী, এল রিটিকা চনু, য়াইফবী থৌদাম অমসুং এল জে সিকা চনু নি।

কাংলুপ অসিমক্কী দাইবিং ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপামচাশিং অদুদি এল দেক্সন সিংহ, পারিসানা পোংশুম্বম, এম নুরজিৎ মৈতৈ অমসুং এল শ্বমি কুমার নি। জুনিয়র সেক্সনগী ওইনা নুপামচাগী কাংলুপ্তা হিরেন শগোলশেম শরুক য়াগনি।

# মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর সিআরপিএফকী ইন্টর বাট্টলিয়ান কম্পিটিসন ৭৮ বট্টালিয়ানগী মনোস পিএম না এথলেটিক্কী হায়জম্প ইভেন্টকী গোল্ড লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

গ্রুপ সেন্টর সিআরপিএফ না শীন্দুনা চথরক্লিবা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর সিআরপিএফকী ইন্টর জিসি এদিএম / ওপিএস বট্টালিয়ানগী এথলেটিক কম্পিটিসন ঙসি তাকয়েলগী সাই কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা হায়জম্পগী ইভেন্টতা ৭৮ বট্টালিয়ান নাগালেন্দগী কন্সটেবল মনোস পিএমনা অহানবা মনা ফঙখ্রে।

অদুগা ৬৯ বট্টালিয়ান মন্ত্রিপুখ্রিগী কন্সটেবল কৌসিক মিত্রনা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।



*হায়জম্প ইভেন্টতা অহানবা মনা ফঙখ্রবা মনোস (য়েৎ) অমদি অহুমশুবা তাখিবা থিপ্পেশ্বমি*

অতোপ্পা কম্পিটিসন অসিগী লোংজম্প ইভেন্টতা মনোসনা অনিশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা ৫০০০ মিটর রেসজ ইভেন্টতা ১৪৩ বট্টালিয়েলগী থিপপে শ্বমিনা অহানবা মনা অদুগা গানেস জিএসনা অনিশুবা মনা ফঙবা ঙমখি।

৮০০ মিটর রেসজ ইভেন্টতা অনিলনা অহানবা পোজিসন অদুগা জিন্তো জোসনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। সোট পুট ইভেন্টকী ওইনা সরভানন্দনা অহানবা পোজিসন অদুগা নাসাপা এফসিনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

অমরোমদা কম্পিটিসন অসিগী বেদমিন্টন ইভেন্টকী ওইনা গ্রুপ সেন্টর লাংজিংগী ইনেদার হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা চহি ৪৫ মথক্কী দবলস ফাইনেল মেটচতা গ্রুপ সেন্টর ইম্ফাল লাংজিংগী ইবোতোম্বা অমসুং টি ঐচ দিলিপকুমার অনীগী জুরানা ৩২ বট্টালিয়ানগী বোবি অমসুং একেবি সিংহ অনীগী জুরাবু সেট ২–০, ২১–১৭, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ইভেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

অতোপ্পা সিঙ্গলস ওপনগী ইভেন্টতা ৬৯ বট্টালিয়ানগী কে সঞ্জয়, কেজি কোম, ৩২ বট্টালিয়ানগী এন সনায়াইমা অমসুং সুনিল কুমারনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা কে সঞ্জয় অমসুং কেজি কোম অনীনা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা এন সনায়াইমা অমসুং সুনিল কুমার অনীনা থেংনরগনি।

অতোপ্পা চহি ৪৫ মখাগী দবলসকী ইভেন্টতা গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালগী ভিভি সিংহ অমসুং ইতোম্বা, ৬৯ বট্টালিয়ানগী কেজি কোম অমসুং সঞ্জয়, ৩২ বট্টালিয়ানগী সুনিলকুমার অমসুং সনায়াইমা, ৮৬ বট্টালিয়ানগী থোইবা অমসুং লাইগমগী জুরাশিংসু সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং লোইশিনগনি।

# ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন ঙসি লোইশিল্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী সুট্টিং রেঞ্চতা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা চথরকখিবা ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লোইশিনবগা লোয়ননা প্রাইজ দিষ্ট্রিবুসন সেরেমোনি পাঙথোক্লগনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এদুকেসন, লেভর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম না অথোইবা মীথুংলেন, দিপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রো সিংহ, ইষ্টর্ন মোতোরগী প্রোপাইটর সিনাম প্রিতম সিংহ অনীনা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট আই হেমোচন্দ্র না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি।

## ত্রেপ সুট্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বিএসএফএ কেম্পতা থা অসিগী ২৭তগী হৌদুনা জুলাই ৩ ফাওবা অনীশুবা ত্রেপ সুট্টিং কম্পিটিসন ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট অসিগী ক্বালিফাইদ ওইরবা সুট্টরশিংনা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক সুট্টিং রেঞ্জ ওফিসতা লাক্তুনা দরকার লৈবা দোকুমেন্টশিং, ইন্ত্রি ফ্রি অমদি সুট্টর আইদি নচিংবা পীশিল্লকুবা খঙহল্লক্লি।

মখা তানা সুট্টরশিংনা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা মরি লৈনবা চে–চাং পীখৎহৌদ্রবদি কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না খঙহল্লক্লি।




# ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ কাং টুর্নামেন্ট কৈশামথোং কাংখুৎনা নম্বোল কাংখুৎপু মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

থাংমৈবন্দগী ইবুধৌ লাইজিং নিংথৌ শঙলেনদা লাইজিং নিংথৌ অহল্লুপ কাংখুৎনা শীন্দুনা চথরক্লিবা ১৩ শুবা লাইজিং নিংথৌ অহল্লুপ কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউত কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ –দি গী লীগ মেটচ অমদা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখুৎনা নম্বোল কেন্দ্র কাংখুৎপু লাকচনা পাঞ্জল ২১–৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।



শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদা কৈশামথোং কাংখুৎনা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা ৭–৬তা লিদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুং শান্নবদা নম্বোল কাংখুৎনা শুপ্পগী পোইন্ট ৩ হাপচিনবা ঙমখি। অদুগা মায় পাক্লবা কৈশামথোং কাংখুৎনা পাঞ্জল ১৪ হাপচিন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ১২ হেন্দুনা নম্বোল কাংখুৎপু মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কৈশামথোং কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি এল বন্দান, এন নবদিপ, ও তোম্বা, ও ইবোহল, ও নবদিপ, শ্যামসুন্দর শর্ম্মা, এন কুমার অমসুং ও তেম্বনি।

নম্বোল কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুনা এল মানি, এল চাওবা, টি ঐচ মাধুমঙ্গল, কে ঐচ সনাজাওবা, ৱাই তেম্বা, এল কুঞ্জো, ও দাওজি অমসুং ও বিরমঙ্গল নি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ–সিগী লীগ মেটচ অমদা থাংমৈবন্দ–বি কাংখুৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট থোংজয়লিয়েনগী গোল অনীনা য়ুসিএফ ফাইনেল য়ৌবা ঙমহনখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

থোংজয়লিয়েননা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা য়ুনাইটেদ চিকিম ফেদরেসন (য়ুসিএফ)না শিমরোপিয়া ফুটবোল ক্লবপু মায়থিবা পীরম্লগা চথরিবা রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা ফাইনেল চঙবা ঙমবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি চুরাচন্দপুরগী লম্কা পব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা য়ুসিএফ অমদি শিমরোপিয়া এফসি অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীনা শান্নবা হৌরবা মতুং ইকান কান্নদনা টিম অনিগী জর্সি মচু হাইরপ মান্নবদগী রেফরিনা শান্নবা লেপহল্লবা মতুং য়ুসিএফকী জর্সিশিং শীন্দোক্তুনা শান্নবা মখা চথখি।

য়ুসিএফকী গোল কিপরনা শিমরোপিয়াগী চনবা য়াবা গোল অনী ঙাকথোকখিবগা লোয়ননা টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা টিম অনীনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লাকখিবা অদু শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা য়ুসিএফকী থোংজয়লিয়াননা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা মহাক্না শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিনদুনা এসএফসিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসি চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা রোপিএং ফাউন্দেসন ত্রস্তনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

# আইজিএআর সাউথকী য়ুনিটশিংনা যোগ দেমোত্রেসন অমসুং লেকচরশিং পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ*

ষ্টেট অসিগী হৌগৎলক্লিবা ছাত্রশিংবু হকচাং ফনবা থম্নবা অমদি দিসিপ্লিন লৈনা হিংনবগী পান্দমদা আইজিএআর সাউথকী মখাদা লৈবা য়ুনিটশিংনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল দে ওফ যোগ গা মরি লৈননা যোগ দেমোত্রেসন অমসুং লেকচরনচিংবা কয়া পাঙথোকখ্রে।



৯ সেক্টর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ত্রেন তৌরবা যোগ ষ্ট্রক্টরগী লমজিং মখাদা লমদম অদোমগী নহাশিং অমদি ক্রুপশিংগী অপুন্বা মীওই ৭০০ মুক্না শরুক য়াদুনা যোগ অসানা শ্বর হোনবগী হকচাং শঞ্জেল পাঙথোকখি।

নাকল অমরোমদা ১০ সেক্টর অসাম রাইফলসনা উখ্রুল অমসুং করজোংদা লৈবা মহৈরোইশিংদা যোগ গী মরমদা ৱার্কসোপ অমদি দেমোত্রেসন কয়া উৎতুনা পাঙথোকখি।

২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসনা চেলেপ কেম্পতা লৈরিবা কেএনওসু তৌনরিবা মেম্বরশিং অমদি তেংনৌপলগী সেন্ট পিটর স্কুলগী মহৈরোইশিংদা যোগ গী কান্নবা অমসুং যোগ গী মরমদা হেন্না খঙনবা ৱার্কসোপশিং পাঙথোকখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*